# চৌ ইন লাইগী ষ্টোরিদা য়ুমফম ওইদুনা পুথোক্কদৌরিবা বেনরজি ফিল্মসকী "হিদাক তোম্বী"



লমদম অসিদতা নত্তনা ভারতকী ওইনা মাইবা শাবা, লম্বোইবা শাবা বাবা কয়াগী অরোনবা মাইখুম কয়া হাং দোকখিবগী ৱাফম অনৌবা অমা নত্রে ! অসিগুম্বা অরানবা মওংদা মশাগী মরল–মথুম লেশিনবা, পৈশননবা হোৎনরিবশিংদগী চেকশিন ৱা পাউদম্বগা লোয়ননা, "লৈঙাক্কী থবক্তনা থবক নত্তে, শুনিং–নোমনিংবা মীওইশিং গীদমক্তঙদি থবক্কী অৱাৎপা লৈতে, থম্মোয় শেংনা, থৱায় য়াওনবু হোৎনরবদি খুদিংমক্তা মহে ফংবা ঙমগনি হায়বা উৎকদৌরিবা চৌ ইন লাইগী ষ্টোরিদা য়ুমফম ওইদুনা মশামক্না ডাইরেক্সন পীবা বেনরজি ফিল্মসগী "হিদাক তোম্বী" ফিল্ম অসিনা নম্বা পুমলোই লোইবগা ইরোইননা ফাইনেল প্রোসেসিংগী থবকসু লোইশিল্লক্তুনা মীয়ামদা উৎনবা শেম শাদুনা লৈরি। পুং ২গা মিনিৎ ২৫ মুক শাংবা ফিল্ম অসিদা মরু ওইবা শক্তঃম লাংলিবশিংদি ঃ– কাইকু, সিলহৈবা, বালা, সুসিত্রা, রতন লাই, ইবোমচা (কাবোকলৈ ইনাওচা), ইথৌ, চাইবা, ইজৌ, কুমার, বিক্রম, জিএস ননাও, গাইত্রি, মধুবালা, গোদলিনচিংবনা ওইরিবা ফিল্ম অসিগী বেক স্ক্রিনদা লৈদুনা অচৌবা থৌদাং য়ারিবশিংদি ঃ– ষ্টোরি অমদি ডাইরেক্সননদা চৌ ইন লাই, প্রদুসর দা বেনরজি ওইনাম, সিঙ্গরদা অর্বিন্দ, সুর্মা, মন্দাকিনি, ম্যুজিক দাইরেক্সননা সুর্মানি এন্দ সিরি, বেক গ্রাউন্দ ম্যুজিক্তা– তেনাও ঐচদি, ঈশৈ ময়েক ইবা– কে মেমচা অমদি সঙ্গিতা, মেক–অপতা বেনরজি অমদি নাওতোন, কষ্ট্যুমদা সুরজ ৱাহেংবম, ইদিটরনা জয়কিসন লোয়ননা ভিএফএক্স–বিজি, কোরিওগ্রাফতা বাবাচা সলাম, কেমেরামেনদা বুং কোঞ্জেংবম না ওইরিবা ফিল্ম অসিগী ৱার্কিং দে শুপ্নগী নুমিৎ ১৭ নি ওইরি। লোয়ননা ফিল্ম অসিদা উখ্রুলবু মরুওইবা সুটিং গী লোকেসন অমা ওইনা মফমদুদা নুমিৎ ৯ নি লৈদুনা সুটিং তৌবা মতমদা খুঞ্জাশিংনা অচৌবা মতেং পাং লকখিবসু প্রদক্সন কম্পানি অসিগী মাইকৈদগী তৌবিমল খঙবা উৎনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

শুকশোই শোইদনা অথুবদা উবা ফঙলগদবা বেনরজি ফিল্মস কী খুদোল ওইগদৌরিবা ফিল্ম অসিগী শমলপ্পা ৱারিদি ঃ– খন্থহৌদবা মীৎকুপ অমদা অরানবা লম্বীদা খোঙদারুরবী লৈবাকলৈ (গাইত্রি) না লৈশা–লৈশানা মীরোলকপদা লৈকায়গী সমাজগী মীৎয়েং চংলকপা অদুগুম্লবা তাঞ্জা অদুদা উপাই লৈজদ্রবি লৈবাকলৈনা মাগী নুং শিনজবা ইজৌবু মাগী পুকনুং দা নাওপুরিবা অঙাংদুগী মপানি হায়দুনা শক্তাক্লুবদা ইজৌনা লৈথোকখি।

অসিগুম্বা তাঙ্কক অসিদা অঙাংদুনী মপানি হায়না প্রমাণ পীবা ঙমজদ্রবী লৈবাকলৈ, সমাজ অসিনা ওক্তবীনি হায়দুনা লৈকায় অদুদগী তাম্থোকখি। উপায় লৈত্রবী লৈবাকলৈ, মরাইবক্না তম্লম্লবনি খন্দুনা শিয়োমনুংগী নৱাদুগা লোয়ননা চীংগী মফম অমদা শৈদাং দুনা লৈখি লোয়ননা মফমদুদা মচানুপী তোম্বী (বালা) পোকখি।



অমরোমদা ইজৌশু অতোপ্পা নুপী অমগা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদাদুনা অয়িংবী অমদি গোলদি পোকখি। লেপ্তনা চৎপা মথৌ খংবী মতমগী খোং জেল কনানসু খাম্লুবা ঙমদে ! অশুম হৌখিবা অয়িংবী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি দা সাইকোলোজিদা পিঐচদি তৌবা মতমদা পাইখোম্বা থেংনখি। মাইবা–মাইবীদা য়াম্না থাজবী অপোকপীগী অচানবী অয়িংবীবু মমাগী মতৌগুম হিরম অদুদা ইন্টরেষ্ট লৈবনা অয়িংবীনা মাইবা শাবা (রতন লাই) গী মনাক্তা লাক্তুনা মমাগী অনাবা লায়েংবগা লোয়ননা হিরম অদুদা রিছর্স তৌই। অয়িংবীবু অহানবা উবামক্তদা মাগী ওইবা পামখি।

থাজবনা ৱাংখিবনা খন্থরুবগী পাঙ্গল শোন্থরবী অপোকপী না অফ–ফত্ত খন্থরুবগী মহুৎ থাজবনা শুমহৎখি।

অমারোমদা তোম্বীগী মমা–মচানা শৈদাংলুরিবা মফম অদু খরা মনুং হঞ্জিনবা চিংনুং ওইবনা অনা–লায়েং অমদি হিদাক লাংথক ফংদবনা য়াম্না ৱারম্মী। মফম অদুদা তোম্বী অমদি তোমৈনা মনা–মশিং শিজিন্নদুনা লায়েংবগী থবক তৌই। লোয়ননা অদুগুম্বা থবক অদুদা তোম্বীদা মীয়ামগী থাজবসু লৈনৈ। মদুগুম্বা ৱাফমদু পাউথাং ওইনা তারদুনা পাইখোম্বনা মখোয়গী থবক অদুদা রিছর্স তৌরম্মী।

অসুম্না শুম লোইনরকপনা পাইখোম্বানা তোম্বীবু নুং শিরকখি। লোয়ননা তোম্বীগী থম্মোয়দসু পাইখোম্বাগী মফম চাওনা কন্দুনা থমজরকখি।

থাজদবা থৌদোক কয়ানা থনলবা মীওইবগী পুন্সি খোং চৎনা হৌজিক্কী থংনবা মীৎকুপ্তা করি ওইরগদবা কনানাসু হায়বা ঙমদবা! ফিল্ম অসি লমদম অসিগী মীয়াম্না পাম্নরবা



শৈশকপা অর্বিন্দ অমদি সুর্মা না শকপা "শাফোংলকলে হায়না শৈহৌবা ঈশৈ অমগা মতম শাংনা ভাবকশিংগী পুক্লিং–ৱাখল জয় তৌবা ঙমখ্রবী হৌজিক হৌজিক চথরিবা জি টিভি গী সা রে গা মা দা শৈশকপী অমা ওইনা জুরিশিংগী পুক্লিং চিং শিনবা ঙন্নিবী মান্দকিনিনা শকপা "ৱাখল নঙসু" হায়না শৈহৌবা সোং সেক্কুয়েন্স অনিনা ভাবকশিংগী পুক্লিং কদায় ফাওবা চিং শিন্নবা হোৎনগদৌরিবা ফিল্ম অসিগী মতৌ করম্না মচোই–মচোই তাররবা লম্বীশিংদু অমত্তা ওইরকখিবা ? লোয়ননা তোম্বী নাগী মচানো ? হায়বনচিংবা খুদিংমক লাক্কদৌরিবা নভেম্বরগী তারিক ৪ নোংমাইজিং নুমিত্তা য়াইস্কুলদা লৈবা ৱাইএসি গ্রাউন্দা উৎননবা পান্দম থম্লিবা বেনরজি ফিল্মসকী " হিদাক তোম্বী" হায়রিবা অসি য়েংলগা খঙলগনি!

ঐচ রাজেস

# ষ্টৈটকী থাক্ত শান্নবগী পাউদম

## ফার্ষ্ট নোর্থ ইষ্ট ওলেম্পিক গেমস ২০১৮

# মণিপুরনা মেডল ১০৮ লৌদুনা ওভর ওল চেম্পিয়নগী কেম্পেন কনখৎখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ঃ

নোর্থ ইষ্টতা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরনা য়ুম্বু ওইরগা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসননা শীন দুনা থা অসিগী ২৪দগী চথরক্লিবা ফার্ষ্ট নোর্থ ইষ্ট ওলেম্পিক গেমস ২০১৮ গী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎ ফাওবদা মরিপুরনা পুন্না মেডল ১০৮ লৌদুনা মেডল টেল্লিদা মাং জিল থাদুনা চৎলি।

খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা নোর্থ ইষ্ট গেমস অসিগী শান্নখিবা *ৱেঠ লিফটিং* মশান্নগী নুপীগী কেজি ৭৬ তা মণিপুরগী এ তোমীনা দেবীনা গোল্ড, অসামগী দিম্পিনা সিলভর অমদি অরুনাচলগী খৃষ্টিনানা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। নুপীগী কেজি ৮১ দা মণিপুরগী পি সনাথোই দেবীনা গোল্ড, অসামগী গিতঞ্জিনা সিলভর লৌখ্রে। নুপাগী কেজি ৯৬ তা অসামগী কোজুম তাবানা গোল্ড, মণিপুরগী কেঐচ বাল কৃষ্ণনা



সিলভর অমদি সিক্কিমগী লালিট রাইনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

নুপাগী কেজি ১০২ দা মণিপুরগী এম জোন্সননা গোল্ড অমদি ত্রিপুরাগী সুবারানিল সহানা সিলভর লৌখ্রে।

*অচরি* মশান্নগী মেডল টেল্লি ইন্দিয়ান রাউন্দ ৫০+৫০ মিটর নুপাগী ইন্দিভিজুয়েল ওলেম্পিক রাউন্দা মণিপুরগী এম সুন্দরনা গোল্ড অমদি সিলভর অমসুং অসামগী বাসুমান্তিনা ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপীগী ওলেম্পিক রাউন্দা মণিপুরগী পি সোনিয়া অমদি সিঐচ দেবিয়ানা গোল্ড অমসুং সিলভর, অসামগী পাললাবীদাসনা ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপাগী টিম ইভেন্টতা মণিপুরনা গোল্ড, অসামনা সিলভর অমদি ত্রিপুরানা ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপীগী টিম ইভেন্টতা মণিপুরনা গোল্ড, অসামনা সিলভর অমদি অরুনাচলনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

মেডল টেল্লি কম্পাউন্দ ৫০+৫০ গী নুপাগী ইন্দিভিজুয়েল ওলেম্পিক রাউন্দা মণিপুরনা গোল্ড, মেঘালায়ানা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপীগী ইন্দিভিজুয়েল ওলেম্পিক রাউন্দা মণিপুরনা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপাগী টিম ইভেন্টতা মণিপুরনা গোল্ড, মেঘালায়ানা সিলভর, ত্রিপুরানা ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপীগী টিম ইভেন্টতা মণিপুরনা গোল্ড, অরুনাচলনা সিলভর অমদি অসামনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

মেডল টেল্লি রিকপ ৭০+৭০ মিটর নুপাগী ইন্দিভিজুয়েল ওলেম্পিক রাউন্দা অসামনা গোল্ড, নাগালেন্দনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপীগী ইন্দিভিজুয়েল ওলেম্পিক রাউন্দা অসামনা গোল্ড অমসুং ব্রোঞ্জ গোল্ড, মণিপুরনা সিলভর অমদি নাগালেন্দনা ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপীগী টিম ইভেন্টতা অসামনা গোল্ড, মণিপুরনা সিলভর অমদি নাগালেন্দনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

*এথলেটিক* মশান্নগী নুপীগী ১০০০০ এম গীদা নাগালেন্দনা গোল্ড, অরুনাচলনা সিলভর অমদি সিক্কিমনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

| Rank | Participating State | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Manipur | 54 | 34 | 20 | 108 |
| 2 | Assam | 29 | 34 | 30 | 93 |
| 3 | Arunachal Pradesh | 13 | 10 | 24 | 47 |
| 4 | Mizoram | 05 | 10 | 25 | 40 |
| 5 | Nagaland | 04 | 05 | 16 | 25 |
| 6 | Meghalaya | 01 | 07 | 10 | 18 |
| 7 | Sikkim | 01 | 02 | 11 | 14 |
| 8 | Tripura | 00 | 03 | 11 | 14 |

অমদি মণিপুরনা সিলভর লৌখি। নুপাগী টিম ইভেন্টতা অসামনা নুপাগী ১০০০০ এম দা মণিপুরনা গোল্ড অমসুং ব্রোঞ্জ অমদি অরুনাচলনা সিলভর লৌখি।

নুপীগী ৪০০ এমটিআর দা অসামনা গোল্ড অমসুং ব্রোঞ্জ অমদি মণিপুরনা সিলভর লৌখি। নুপাগী ৪০০ এমটিআর দা অসামনা গোল্ড অমসুং সিলভর অমদি ত্রিপুরানা ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপাগী হাইজম্পদা অসামনা গোল্ড অমসুং সিলভর অমদি মেঘালায়ানা ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপীগী ৪X৪০০ রিলে দা অসামনা গোল্ড, মণিপুরনা সিলভর অমদি নাগালেন্দনা ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপাগীদা অসামনা গোল্ড, মণিপুরনা সিলভর অমদি নাগালেন্দনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

*সুটিং* মশান্নগী নুপাগী ১০ মিটর এয়র পিষ্টোলদা অসামনা গোল্ড, নাগালেন্দনা সিলভর অমদি মণিপুরনা ব্রোঞ্জ লৌখি। ১০ মিটর এয়র পিষ্টোল নুপাগী টিম ইভেন্টতা অসামনা গোল্ড, মণিপুরনা সিলভর অমদি মেঘালায়ানা ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপীগী ১০ মিটর এয়র পিষ্টোলদা অসামনা গোল্ড অমসুং সিলভর অমদি মণিপুরনা ব্রোঞ্জ লৌখি। ১০ মিটর এয়র পিষ্টোল নুপীগী টিমদা অসামনা গোল্ড অমদি মণিপুরনা সিলভর লৌখি।

## ক্যুস ইষ্ট বেঙ্গলনা নেরোকা এফসিবু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ঃ

ইষ্ট বেঙ্গলনা য়ুম্বু নেরোকা এফসিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা চথরিবা হিরো আই লীগকী কেম্পেন মায়পাকপা হৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অসিদা ইষ্ট বেঙ্গলগী মেক্সিকান ষ্ট্রাইকর ইনরিক তিরাদোনা গোল অনী চন্দুনা য়ুম্বু নেরোকা এফসি দগী পোইন্ট অহুম মুনবা ঙমখিবনি।

নেরোকাগী ৱিল্লিয়মদগী শোয়রকপা বোল অমদা ইষ্ট বেঙ্গলগী ইনরিকনা খুদোংচাবা লৌদুনা ১০শুবা মিনটতা অহানবা গোল চনখি। শোণ্ণনা লৈরিবা গোল অসিবু হন্দোক্লবা নেরেকোগী সুভাস অমসুং কাইসুমিনা এক্টেক কয়া তৌরবসু ইষ্ট বেঙ্গলগী দিফেন্দরশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী গোল হন্দোক্তনা অহানবা হাল্ফ ফাওবদা গোল ১–০ দা লৈখি।



অনীশুবা হাল্ফ হেক হৌরকপগা মিনট ৪৮তা নেরোকাগী দিনেশচন্দ্রনা ইষ্ট বেঙ্গলগী রালটেদা পেনাল্টি বোক্স মনুংদা ফাউল তৌরুবদগী ইষ্ট বেঙ্গলনা পেনাল্টি অমা ফঙখি। পেনাল্টি অসি ইনরিগ তিরাদোনা গোলদা ওন্থোক্তুনা ২–০ দা নেরোকাবু মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা নেরোকাগী ইদুরদো ফেরেরা, সুবাস সিংহ অমদি ইষ্ট বেঙ্গলগী মানোইতা রেফরিনা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মায়থিহৌরবা নেরোকাগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ৩১ দা খুমন লম্পাক্তা গোকুলামগা থেংনরগনি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*